# নীংশিংলকই লাইবক থীবা থৌদোক্তো

## (লাক্লিবা ওগস্ট থাদা ফোঙগদৌরিবা ঐহাক্কী অনীশুবা লাইরিক্কী তাঙ্কক মচা অমা)

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

দ্যুটিদা তারিবা ডোক্তর অমদি নর্সশিংনা মথৌ নিংথিনা তৌদবগী ৱারী শারকপদা নীংশিংলকই ঐহাক্না দি এম কোলেজদা প্রী য়ুনিভর্সিটি তম্লিঙৈদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা থোকখিবদো। নুমিত্তো ঐহাক্কী দি এম কোলেজদা হাংদুনা থম্বা ঐহাক্কী ষ্টেট বেঙ্ককী একাউন্টতা লুপা ৪০ খক লাক্লম্মী। পৈশাদো ঐহাক্না উত্তরকাশিদা বেসিক মাউন্টেনিয়ারিং কোর্স অমা য়াওরুবদা নোটিসিএবল পার্ফোমেন্সকী মনা ফংলকপদুগী মরমদা এ আই আর ইম্ফালদা ৱারী ৱাতাই শারুবগী ফংলকপা শেলনি। অরাকপা শেল লুপা ৪০ য়াওবদো লোইনা লৌথোক্লগা চেচাং, কোলোমনচিংবা পোৎলম খরা লৈগে হায়না বির টিকেন্দ্রজিৎ রোদতুদা ঐহাক্কী অমনবা হেরো সাইকলদো তোংদুনা লাকখি। মতমদো অয়ূক্কী পুং ৯.৩০/১০ মুক তারম্লগনি। অসুম্না দি এম কোলেজদগী শগোলবন্দদা লৈবা ঐহাক্কী লায়র শঙলেন তম্না লাকপদুদা অচৎ অওক ময়াম অমা মখোয় মখোয়গী সাইকলদগী কুমথদুনা মনাতোন মেন মেন্দুনা ঙাইহাক ঙাইহাক য়েংলম্লগা অদুম চনখিবা অদুদা ঐহাকসু করি তৌরবজাৎনো হায়না ঐহাক্কী সাইকলদো খামদুনা য়েংশিল্লুই ময়াম্না য়েংনরিবা মায়কৈদুদা। মপাল কাংজৈবুংগা থংনবা নাকলদা সেকেন্দ হেন্দ য়োনবা শঙ মচা মচা ময়াম পরেং লৈরম্বা অদুগী হেক মমাঙদা লৈরিবা ফত্ত-হৌদি ঈশিংনচিংবা চেম্বুবগী খোংবালদুদা চহী মীয়াই চল্লক্লবী (চহী ৪৫দগীনা ৫০ মুক্কী ওইবা য়াই) মৌ অমা দাইরিয়া তৌবদগী মখোঙ হামথবদগী ৱাখল তাদনা তাদুনা লৈরম্বদো উখি। লায়রবা ইমুংদগী অমদি কংলাতোংবী খুন্দা চাউরকপনা মীগী অৱাবসি হেক্তা উবা ঙমদে, মতেং পাংনীংলকপগী ৱাখল্লোন লাকপদুদা ঐহাক মতৌ করম্না মতেং পাংসিগে খন্দুনা সুম অকোয়বদা য়েংবদা ঐহাক্না ৱাখল খরা মান্নজবা হায়বতারে নহা ওইরিবা নুপা অমা য়াওবদুদা চঙশিন্দুনা হংলুবদা মহাকসু মতেং পাংনীংদুনা লৈরম্লিবনি হায়রকপদগী ঐখোয় অনী চংদুনা মতেং পাংলসি হায়না লেপখি।

অসুম্না মৌ নুপী অদুবু ঐখোয় অনীখক্তনা রিক্সো অমা কৌশিন্দুনা পুশিল্লে হান্না লৈরম্বা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদুদা। মফমদো য়াম্না লাপ্পসু নত্তে, সোরোক্তো লাম্থোক্লগা অদুম লৈবগুম্বনি য়াম্না নক্না। অদুবু চৎথোক চৎশিন তৌরিবা মীয়ামদো থবক চিন্নবনরা, মনমকা নমথীবদুদা হঙ্গোইবনরা, ফিজোল অমনবা শেৎপদুনরা খঙদে কনা অমত্তা নুপী অদুবু মতেং পাংদনা মাগী মাগী চৎকদবা মায়কৈদা চৎখিবনি। অদুবু ঐখোয় অনীদি মখা চথবা ঙমদবদগী মহাকপু লৌখৎতুনা পুবিরকখিবনি হোস্পিটালদুদা। হোস্পিটালগী চংফম য়ৌদুনা হংনরবা মতুংদা মৌ অদু ষ্টিলনা কুপ্পা ফমুং অমদা থাঙ্গৎতুনা থম্বীরে। মহাক্কী মফি মরোলসু অমাং অশোয় অমদি খোংবালদুগী ফত্তবা অমোৎপা ঈশিংনচিংবনা চোৎপনা হোস্পিটালদা লৈরম্বা নর্সশিং অদুনসু শোক্লিংদ্রে। নর্স অমনা অচৌবা অঙৌবা ফি অমা পীরক্তুনা মহাক্কী নমথীরবা ফিজোলদো হোংদোক্লো হায়না পীরম্লগা চংখ্রে নর্সতো। তশেংবগীদি নর্সশিং অদুনা তশেংনা মীওইববু থৌগল তৌনীংবা ওইরগদি মৌ অদুগী থৱায় কনবগী ৱাখলদা মনমকাদুদি থোইদোক্না ফাওফম থোক্তবনি। অদুবু মখোয়দি শোকপদি লায়রদনা অঙৌবা ফিদো হোংদোক্লো হায়না পীরম্লগা অদুম থোরকখিদ্রে। অমরোমদা হায়রগনা ঐখোয়দি নুপা ঙাক্তনি। অদুবু মৌ অদুগী অৱাবদুনবু, নাবদুনবু ফরবদি হায়দুনা মহাক্কী অমোৎপা, অচোৎপা ফিরোলশিংদো হোংদোকপীরে।

ডোক্তর লাক্তুনা য়েংবীগদ্রা হায়না সুম সুম ঙাইবনা পুং অমমুক্কী মতুংদা ডোক্তর অমগা নর্সকা লাক্তুনা হীদাক কনানা লৈগদবনো হায়বনচিংবা য়ানরবা মতুংদা হীদাক লৈদুনা কাপ্পী। ঙসাই ঐখোয়না





থেংনবা মতমদুদগী হৌজিক হীদাক কাপ্পা হৌরবফাওবদা মৌ নুপীদু ৱাখল লাক্ত্রি। মহাক্কী অৱাবগী নাহেবা খক্তনি ঐখোয়না তাখি। অসুম্না কুইনা হীদাক কাপ্পনে কৈনে ঙাইরকপদুনা নুংথিলগী পুং ৩ মুক তারম্লগনি নর্স অমা থোরক্তুনা নুপীদো কনবা ঙমদ্রে হায়না ঐখোয় অনীদা পাউ পীরকই। মতমদুদা ঐখোয় অনী য়াম্না পেনখিদে ডোক্তর অমদি নর্সশিংদুগী মথক্তা। ঐহাক্কী য়াওজরকপা য়াম্না ৱানা মমল লৈনা ফংজরকপা লৈত-লৈত লাইরিক তম্বগী পোৎলম খরা লৈজগে হায়দুনা অরৈবা শেল লৌথোক্তুনা পুজরকপা শেল অমদি ঐহাক্কী অনৌবা মরুপকী য়াওজরকপা শেল পুনশিন্দুনা মৌ নুপী অদুবু কন্নবা হোৎনজবা ডোক্তর অমদি নর্সশিং অদুনা মতম শাংনা থৌশাদনা লৈথোকপদগী মপুন্সি লমখাংদা লোমখিবনি। মতমদো হৌজিক্কা ওইরম্লবদি ডোক্তর অমদি নর্সশিংদো শোয়দনা অৱাফমদা তাগনি। ঐখোয় ফাওবনা অসুক থম্মোয় শোক্লবসিনদি মৌ নুপী অদুগী মপুরোইবা অমদি মচাশিং অদুদি করম্না ফাওরমগনি মহাক্না খঙহৌদনা মখোয়বু থাদোক্তুনা চৎখিবদুদা। পিক্লিবা মচাশিংদুদি শোয়দনা ঙাইরমগনি নুমিত্তো মমানা কৈথেলদগী অচাপোৎ পুরক্কনি হায়দুনা। অদুবু থম্মোয় পিকপা ডোক্তর অমদি নর্সশিং অদুদি করিসু ফাওরমদৌ মান্দে। মসি হায় হায়দুনা ডোক্তর খুদিংমক, নর্স খুদিংমক অসুম্না তৌই হায়জবগী ৱাফমদি লৈজদে।

টাইৱানলোমদা ঐহাক্কী পুন্সিগী খোঙচৎলোমদা অমুক হনজিল্লকপদা, টাইৱানগী মীওইশিংগী থবক্তি য়াম্না য়াঙই মথৌ নিংথিনা তৌবতা নত্তনা। অদুনা মথং নুমিৎ নোং হেক ঙাল্লকপদা, ঐহাক্কী ওপরেসন তৌবগী মতম য়ৌশিল্লক্লবদা ঐহাকপু ওপরেসন তৌবদা শেৎকদবা হোস্পিটালগী ফিজোল শেৎহন্দুনা ষ্ট্রেচর ফমুং অমদা হিহন্দুনা ঐহাক্না লৈরিবা মথোল ১০ অদুদগী মথোল অমা শুবদা পুবিরে হোস্পিটালদা পার্ট-টাইম ওইনা থবক তৌবা চহী মীয়াই চল্লবী নুপী অমনা (টাৱান্দদি কম্পেনি কয়াদা পার্ট-টাইম ওইনা মীওই কয়ানা মখোয়গী অশংবা মতমদা পুংজা পুংজাগী ওইনা থবক তৌবা য়াম্না চৎনৈ) ইন্দুনা পুবিরে অদুগা ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমসু ইন্নদুনা য়াওরে। চনিংলৈমদি ঐহাক্কী নাক্তা অদুম লৈখবনি। মহাক য়াওরমদ্রবদি ঐহাক্কী ৱাখলসু য়াম্না শোম্থরম্বা য়াই। মহাক্না ঐহাক্কী থম্মোয় পিকথহন্দে।

অসুম্না থবক মথং মথং, মরুওইনা ওপরেসন তৌবগী ঐহাক্কী মতম য়ৌবা ঙাইরিঙৈদা অমদি ওপরেসন তৌরমদাইদা য়াম্না তোয়না হংই ঐহাক্কী মীং অমদি পোকপগী চহী অমদি তাংনচিংবসি নর্সশিং অমদি হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংদুনা। ঐহাক ৱাখল তানা খনবা ঙল্লিব্রা অমদি ওপরেসন তৌবদা অকায়বা করিসু লৈরোইদ্রা হায়না য়েংশিনবা মাল্লি। ওপরেসন তৌফম কা ময়াম অমা লৈ মথং মথং। অদুগা অনাবা ময়াম অমসু ঙাইরি ঐহাক্কুম ষ্ট্রেচরদা হিপ্তুনা। মসিনসু মরম অমা ওইরমগনি ঙাইহাক লৈতনা ঐহাক্কী মীং অমদি পোকপগী থা অমদি চহীনচিংবা হংলিবা। শোয়বা হায়বসি তম্বা ঙমদে। কনানা খঙনি অনাবা ময়াম অমা ঙাইদুনা লৈরিবা অদুদগী শোয়দুনা মহাক্কী ওপরেসন কাদু নত্তবীদা অতোপ্পা ওপরেসন কা অমদা পুশিন্দুনা লান্না ওপরেসন তৌখিবা থোক্লবদি। ঐখোয়নসু ৱারী কয়া অমা তাখ্রে ওপরেসন তৌবা লোইরগা ওপরেসন তৌবগী কাটি, থাঙ অমদি অতৈ পোৎলমশিং লৌথোকহৌদনা উনশা তুশিনখিবগী। অদুনা য়াম্না চেকশিন্না মীংনচিংবসি হংবা মাল্লি।

মথং নুমিৎ জুলাই ১০দা মীওই অতোপ্পা, ইমুংগী মীওই ফাওবা চংবা য়াদবা ওপরেসন তৌবগী ঙাইফমদুদা ষ্ট্রেচরদা হিপ্তুনা পুঙ্খায়মুক ঙাইরবা মতুংদা পুশিল্লে ঐহাকপু ওপরেসন তৌফম কা অমদা। থংনবদসু কা ময়াম অমনি ওপরেসন তৌবগী লৈরিবা। কাদুদা লৈরম্বা নর্সশিং অদুনসু অমুক হংলকই ঐহাক্কী মীং অমদি পোকপা চহী অমদি তাংনচিংবা। নর্স অমনা ঐহাক্কী হকচাংগী ফীভম অকোয়বা চেৎনা য়োমশিন্দুনা, ফাজিন্দুনা থম্বীরে খূৎশা হাই-হুমদনবা, লেংদ-খোৎতনবা ওপরেসন তৌরিঙৈদা। অসুম্না ঐহাক্কী ফীভম শেম শাবা লোইরবদা ওপরেসন তৌগদৌরিবা ডোক্তর অদু চঙলক্তুনা ওপরেসন পাঙথোকপদা শিথনবা, পংথনবা কাপকদৌরিবা হীদাকসি জেনরেল এনেসথেসিয়ানি, পুং অমা মুক্কী মতম চংগনি ওপরেসন তৌবা হায়বনচিংবা শুগায়না হায়রগা হীদাকসে কাপ্পগেকো হায়রগা কাপশিনবা হৌই। হীদাকসে কাপশিনদ্রিঙৈদদি পাখৎপা অমসু অদুম পোকই, অকিবা খরসু অদুম য়াওই। হার্ট বিটসে খরা য়াঙখৎপোই নীংই। পাখৎফমসু থোকই। কনানা খঙগনি অমুক হৌগৎলক্ত্রুদি। হৌগৎলক্তবা ময়াম অমসু য়াওখ্রবনি। য়াম্না চেকশিন্না, ঐখোয়দা য়াম্না ঈংনা তপ্না, ৱাখল ৱাহন্দনা ওপরেসন পাঙথোক্লবা য়াম্না ফজনা ঐহাকপু তৌবী নর্সশিংসু অদুগা ডোক্তরসু। মসি অনাবা খুদিংমক্তা তৌবা মখোয়গী হৌনশানি, মথৌনি। হীদাক কাপশিল্লবা সেকেন্দ খরগী মতুংদদি ঐহাক পাখৎপা, অকিবা পূম্নমক মাঙখ্রে, ৱাখল অদুম তাখিদ্রে।

ওপরেসন তৌবা লোইদুনা মীৎ পাঙলক্তুনা ৱাখল তারকপদদি অতোপ্পা কা অমদা লৈরম্মে। ওপরেসন তৌবা লোইরগা হৌগৎলক্লবা হায়দুনা অতোপ্পা হীদাক অমমুক কাপশিল্লি হায়। অদুগী হীদাক্তুসু অদুম তাংই, ইন্দিয়াগী শেলদা লুপা লিশীং ১৪ মুক পী হায়দুনা চনিংলৈমনা দিসচার্জ তৌবা নুমিৎতা পী হোস্পিটালদুদা। তৌবগীবুদি মদুসু কোন্না ঐখোয় ইমুংনা য়াওরিবা Nansan Insurance company অদুনা অমুক হঞ্জিল্লকই। অসুম্না মায় পাক্না পুং অমরোম চংনা থাঙ থাদুনা ঐহাক্কী তোন্সিলগী ট্যুমরশিংদো লৌথোক্লবা মতুংদা ঐহাকপু অমুক ঐহাক্কী মথোল ১০দা লৈবা কাদুদা পুবিরকই হান্নগী পার্ট-টাইম থবক তৌবা নুপীদুনা। ওপরেসন তৌগনি খল্লদি অপিকপা ওপরেসন ওইগেরা অচৌবা ওপরেসন ওইগেরা পাখৎপা, অকিবসি অদুম থোকই। টাইৱানসে লায়েংবগী অমদি হেলথ ইন্সুরেন্সনচিংবগী হীরমদদি অসুক্কী মতিক ৱাংনা লৈরিবা লমদমনি। য়ু এস এগী ইন্সুরেন্স অমদি মেদিক্যের সিষ্টেম্নকা হেনজিনবা য়াপোৎ নত্তে। অসুক থাজবা য়ানা, ৱাংনা লৈরিবা টাইৱানগী লায়েংবগী মওং অমদি ডোক্তর অমদি নর্সশিংগী নিংথিনা মথৌ তৌরিবা অসিফাওবদা পাখৎপা অমদি কিবা পোক্লিবসিনদি ঐখোয় ইরমদমদা ওপরেসন তৌবসিদি কমদৌনা ফাওগনি, মরুওইনা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিালশিংদা। ঐহাক্কী ওইনদি শোয়দনা য়াম্না কিগনি অমদি পাখৎকনি খল্লি।

ঐহাক্কী কাদুদা ওপরেসন তৌবা লোইদুনা হল্লক্লবা মতুংদা খৌনাওগী অঙৌবা শক্তমদো য়েংনীংমনখিদুনা কাদুদা লৈরিবা টোইলেটকী মীংশেলদা ওনশিন্দুনা য়েংবদা অঙৌ অঙৌবা খৌগী মথক্তা পল্লম্বা নাইগুম্বদো উবা ফংদ্রে। ৱাখলদা নুংঙাইবা ফাওই ফত্তবা টিস্যুশিং লৌথোকখ্রে হায়দুনা। ওপরেসন তৌরবা মতুংদা ডোক্তর অমদি নর্সশিংনা চেকশিন্না য়েংবা য়াবা য়েংদুনা হোস্পিটালদা নোংমা লৈহল্লি, পূন্না নুমিৎ হুমনি চূপ্না। নুমিৎ হুমনি লৈরবা মতুং য়াম্না চেকশিন্না য়েংলবা মতুং থোইদোকপা অশোয় অঙাম য়াওদ্রে য়ূমদা হনবা য়ারনি হায়দুনা চয়োল অমা চানবা হীদাকশিং পীরক্লগা চয়োল অমা লৈরগা অমুক হন্না য়েংবা লাকও হায়না ঐহাকপু হোস্পিটালদগী থাদোরক্লে।

নুংতিগী থাও, থুম, মোরোক, অশাবা, অঙ্গংবা পূম্নমক থাজিনগদৌরিবা খৌসিদা থাঙ থাদুনা শদুম মচেৎ অনী থোক্না ঐহাক্কী খৌনাওদগী লৌথোকখিবগী মফমসিদি থাঙ থাবা নৌরি হায়দুনা ডোক্তরনা মহী ওইবা, থাও-থুম য়াওদবা, অচম্বা, ময়াক কন্দবা চিঞ্জাক ঙাক্তা চাও, মরুওইনা মহী ওইনা চাও হায়না পাউতাক পীরকই। থাঙ থাবা নুমিত্তুগী মতুং তারকপা নুমিৎশিংদি অচম্বা মহী ঙাক্তা ওইবা চিঞ্জাকশিং ওইনা চারে। ঐহাক্কী লোয়নবী চনিংলৈমনা ফার্মাসিদগী মচল শুনা য়াওবা চরা অমা ওইবা য়াবা কৌতাশিং পূন্না পূন্না লৈরগা পীথকই ঐহাকপু। মদুগী মথক্তা য়েন্দগী শুংবা চিকন সুপ হায়না খঙনবা চিকন সুপ য়াওবা লিক্লিগী বোট্টুলসু পূন্না লৈরগা থম্বী। মহাক নৎত্রদি ঐহাক্তি অদুগুম্বসু অমত্তা খঙদবনি প্রোটিন পাওদরগুম্বা নত্তনা। মহীগী বোট্টুলশিং মহী ওইনা চারসু নাবদি অদুম নাই। ঈশিং থকপফাও নাবনি। অদুবু করিদি পান্থে লৈ, নানা-নানা অদুম খরদি চাদ য়াদবনিনা অদুম হোৎনৈ। শোনবদি হাইফেৎ শোনজিল্লে, হকচাংগী অৱম্বা কিলোগ্রাম অহুম/মরিদি শৎ হেক্তা তাখি, মহিঙাক্তা সুম থকপদুনা। থকনীং-চানীংবসু অদুম ইফাও ফাওদ্রে নাবদুনা। লাইবক ফবনা মতমদো য়ুনিভর্সিটি ক্লাস লৈতবনা পোত্থাদুনা লৈবা ফংখি লোয়ননা মচল শুবা মহিগী ওইবা চিঞ্জাকশিং চনিংলৈমনা লোইনা লৈবিদুনা থম্বনিনা। ঐহাক্না খল্লুবনা চবোন ওইনা থক্কদৌরিরা কায়না খল্লম্বনি য়ূমদা শেমজদুনা। চনিংলৈমদি মীঙোন্দা ঐহাক্না করি চাবা য়াগনি কায়না হংলুব্রা খঙদে মানা লোইনা খঙ লৈরম্মে।

ঐহাক Lymphoma cancer না নারে হায়বা হেক খঙবগা করি পান্থে তৌদুনা ঐহাক্কী কেন্সরনা নাবা অসিদগী ফরক্লবা হায়দুনা Lymphoma cancer গী মরমদা ইবা লাইরিক অমা লৈরগা পুরক্তুনা ঐহাক্কী হোস্পিটালদা থাবা ফমুংগী নাকলদা লৈবা সোফাদুদা ফমদুনা পাবা হৌখি। লাইরিক অদুদগী মহাক্না Lymphoma cancer নাবগী লায়েংশিং চত্থবা, করম্বা চিঞ্জাক চাগদগে অমদি করম্না লূনা-নান্না লৈদুনা অতোপ্পদগী মহীক-মতাইনচিংবা ঙাকথোক্কদগে হায়বনচিংবা ময়াম অমা য়াওবদু ঐঙোন্দা হেক হেক হায়রকখিবনি মখোয়শিংদু ইন্দুনা চৎনবা। অদুতা নত্তনা খঙনা চান্নবশিংদগীসু মহাক্না খঙবা য়াবা পাউশিং খোমজিনখিবনি। ●

# য়ূম পাল্লবা নুপাবু 'য়া' কৌই

- সোভানদি -

মীতৈগী ইমুং অমদি খুন্নাইগী মীঙ্গৌ থাগৌদা অৱাৎপা অহেনবা লৈরিবশিংসি তেমথোক-তেমশিন তৌবগী মতম ওইরে। 'লোনশেম পুয়া' হায়বা অমা ঈহৌনবগী মতম লাক্লে। থাজবা থাজদবা মীতৈ ঐখোয়না তুংগী মণিপুরগী লোলগী লাইবক লেপ্পদা মণিপুরদা ঙসি হিংমিন্নরিবা কাঙলূপ ফুরুপ লোইনমক্কী তঙাইফদবা থৌদাংসু লৈরি। মীতৈগী ইমুং অমদি শাগৈ নাতৈ, মরী-মতাগী মনুংদা/মরক্তা লৈনবা লেংদবা মীঙ্গৌ থাগৌশিংগী মতাংদদি ইকায়খুম্নজরবা মাইচৌ মাইনৌ কয়ানা লৈ পরেংগুম্না নীংথিজনা পুথোকখিবা পাজখ্রে । অৱাৎপা পাদ্রিবা কয়াসু শোয়দনা লৈরি হায়না খঞ্জে।

মীঙ্গৌ থাগৌগী মতাংদা ওইরক্লিবা ফীভমদি য়েক সলাইগী অমদি লাইনীং লিচৎকী মতুংইন্না অহোংবা খরদি ঐখোয়না উবা ফংলি, মসি অচুম্বদি নত্তে। মমাঙদা মীতৈ/মৈতৈ তপশিল্লগা সনামহী লাইনীংদি ওইদ্রবশিং খুদম ওইনা মীতৈ হিন্দু, বামোন, পাঙল (মীতৈ মুসলিম হায়বসু য়াওনরে), খৃষ্টান, বুধিস অসিনচিংবা কয়াসি লৈবনা লাইরিক্তা (মাগী-মাগী লাইনীং-লীচৎকী) য়াওবা লোল অমনা য়ানশিন্দুনা শীজিন্নবা থেংনরি। মণিপুর মশক তাক্লিবা শগোল কাংজৈ শান্নবগী মনুংদা চক্র হায়না শীজিন্নবা। মুক্না শান্নবদনা যত্রা হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নবা। লুহোংবগী নুপা নুপীবু বোর কৈন্যা হেক হায়জিনবা, লীলা, অতৈ অতৈ য়ামখ্রে। তশেংনা লন্দন বৃটিশ লাইব্রেরি ইংলেন্দদগা লৈ হায়রিবা চৈথারোল কুমপাবা অমদি অতৈ পুৱারীগা মরী লৈনবা লাইরিকশিং অতোপ্পা লৈবাক্কী মীওই কয়ানা ইবিরম্বা মণিপুরগী মরমদা য়াওবা লাইরিকশিং চেকশিন্না য়েংবা চংই। মণিপুরবু নমথরগা পানবা য়ানবা হোৎনরম্বশিংনা কয়াম্না অচুম্বা ইবিরমগনি হায়বসু য়াওদবা নত্তে।

ইমুংগী মীঙ্গৌ থাগৌদা লাকচরগা নৌহৌননা খরদং থমজরি। ইনা হৌবা মীঙ্গৌ, ইনা হৌদবা মীঙ্গৌ অসিদগী অহানবদা নুপা নুপী অনীনা য়ূম্বানমিন্নদুনা পোক্লকপা মচাশিংদু ইঙাং (অঙাং), মমা মপা হেক ওইবদগী মচাশিংনা নুপীদনা ইমা, নুপাদনা ইপা (পাবুং, পাবা, বাবা) অঙাং য়াম্লদি মচিন মনাও হায়না খঙনৈ, মচানুপানা অহল ওইরদি মখাদা লৈবা মচানুপীনা ইবুং (ইয়াম্বুং) কৌনৈ। মচননুপীনা হনবা ওইরদি মখাগী নুপাদু ইপ্পা কৌনৈ। অঙাং মশেল কৌনবা মীঙ্গৌদি মথক্তা হেক লৈবা নুপাশিংদা ইয়াম্বা, মথক্তা হেক লৈবা নুপীশিংদনা ইচে কৌনৈ, মখাদা হেক লৈবশিংদনা নুপাদা ইনাও, ইবুংঙো, নুপীদনা ইচল, ইবেমা কৌনৈ। মচিল মনাওশিং য়াম্বা ফীভমগী মতুংইন্না মীঙ্গৌসি শুপচিনজরবদা মখাগী অসুম্না নুপাদনা ইচৌ, ইয়াই, ইতোন, ইয়ামচা, নুপীদনা ইচেচৌবী, ইচেয়াই, ইচেতোন, ইচেমচা, অঙাং লোয়নমক্না অপোকপদনা ইপা (পাবুং, পাবা, বাবা) অপোকপীদনা ইমা হায়না কৌনৈ। ইপাগী মচিল মনাও পোকমিন্নবা লৈরদি ইপাগী মথক্কী নুপাশিংদা ইপলহন, ইপনয়াই, ইপনতোন কৌনৈ। নুপীদা ওইরদি ইনেহল, ইনেয়াই, ইনেতোন কৌনৈ। ইপাগী মখাদা লৈবা নুপা ওইরদি ইখ্বাতোন (ইখুরা, খাতোন, খুরাতোন), ইপাগী মখাদা লৈবা নুপীদা ইনে (নেনে) অদুম কৌনৈ, ইপলগী নুপীদনা ইমাবোক কৌনৈ। ইতোনগী নুপীদনা ইন্দোন (ইনদোমচা) কৌনৈ। ইনেশিংগী মপুরোইবা নুপাশিংদনা মাম্মা কৌনৈ। ই হাপত্রিসি লোনয়ান ওইবগীরা নৎত্রগা অতোপ্পা শাগৈ অমগী মীনি হায়দুনা শেল্লম্বরা?

অমরোমদা য়ূম্নাক শাগৈ ওনখ্রবা ইনেশিং অমদি মখোয়গী নুপাশিং মাম্মহোয়না ময়াম্বা মনাওগী মচাশিংদা নুপী ওইরদি ইমৌ, নুপা ওইরদি ইয়া হায়না খঙনৈ/কৌনৈ। ইমা ইপাবু পোকপীবা মখোয়দনা ইবোক, ইপুবোক হায়না কৌনৈ। ইবোক অমদি ইপুনা ইশু হায়না কৌনৈ। য়ূম পানমিন্নরিবা নুপা নুপী অনীগী মরক্তা অমা শিখ্রদি লৈহৌরিবদু নুপা ওইরগনা পাখ্রা, নুপী ওইরগনা লুখা/লুখ্রাবী কৌনৈ। নুপী খুদিংমক থাগী খোঙকাপ লাকপা মতমদগী লৈশাবী মচা, লৈশাবী, লৈশাবী শরি হায়না কৌনৈ। ময়ূম হেক পানবা নৎত্রগা অফোংবা য়ূম পানবগা মরী লৈনবশিংগী মীঙ্গৌ অসি 'মৌ' হায়না খঙনৈ। নুপাশিংনা চহী তরাহুমদোইদগী ইনখৎলকপা নহা হায়নবদগী মপূং খরা ফারকপদগী পাখংমচা, পাখং, পাখং শরি হায়না কৌনৈ। পাখংনা নুপী হেক থিদুনা য়ূম পানবদগী 'য়া' হায়না কৌনৈ। (অচুম অরানদি মসিগী তাফম/কৌফম থোকপা ওইনা য়েংলকপদা অসুম্না তাই, ইমৌদগী ই লৌথোক্লগা মৌ হায়বা, লৈশাবী নত্তে হায়বা খঙনৈ। অসুম্না ইয়াদগী ই লৌথোকপদা 'য়া' অসি শোয়দনা পাখঙ নত্তে হায়বা খঙনগদৌরিবনি। অদুবু নুপাশিংনা খুৎলিংবা/খুল্লিংবা লৈবাক নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংগী মতমদগী হৌদুনা নুপাদি নুপী চাম্মগী/তরাগী মপুনি হায়নবা নাপল কানখিবদগী 'য়া' হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নদনা অদুমক পাখংগুম্না অপাম অপাম্বা নুপী লৌবা য়াবগী ফত্তবা ৱাখল্লোন অসিনা ফজবা ৱাহৈসি থমাইখ্রে।)

অমরোমদা খুল অমা, লৈকায় অমা লৈরদি চহীগী লাইশোন তিনশোন, উমংলাই হরাউবা, লৌরোক পন্থাগী কুম্মৈ, কুম্মৈ ফিয়োং অমদি ইপাল তাবা, য়ূমশেংবা, লুহোংবা, লান্ন-থৌরম, ফিরোই হায়বসি শোইফদনা লৈরক্লি। অঙাং অমা তাইবঙ শাৎলকপগী মঙানি ইপাল থাবা নুমিৎতা কৈরোই লৈকায়, মীয়াম্না অঙম অঙম্বা শেলগী মতেং অঙাংদুদা কৎনবগী চৎনবী লৈ। তশেংনদি ইমুংদুগী অৱা নুংঙাইদা নাকোয়ননা মতেং পাংবগী ফজবা চৎনবী অমনি। (হিন্দুগী শ্বষ্টি পুজাদা দান থাদবা হায়দুনি)। লুহোংবা মতমদদি কৈরোই লৈকায়গী মীশিংনা পোৎপাং হায়বা অমগা পোৎয়েংশেল হায়বা অমগা ফজখ্রবা চৎনবী অমা লৈ। অদুবু লৈকায় খুল অদুগী মীওই অমা হেক লৈখিদবদা লান্ন-থৌরমদসু পোৎয়েং শেল পীবগী ফজবা চৎনবী অমসু লৈ। মী শিবা/লৈতবা মতমদা খুল-লৈকায়গী চপ মান্নবা য়ূমথোংগী ওইনা অৱাবা তারবা ইমুংদুদা মতেং পাংনবা শিংলুপ অমমম শেমদুনা লৈনৈ। মমাঙঙৈগী মতমদা ইমুং অয়াম্বা লৈত-লায়রনা ঙাক্তা ওইরম্মী (হৌজিক্না খিত্তংদি ফনবা মাল্লি, ফবদি নত্তে থবক ফংদবা মীগী মশীং য়াম্না লৈরি) শিংলুপনা পোৎলোইনবগী শিংদু লৈনবগী শেল ওইনবা শিংয়েনশেল হায়বা অমা শেমনৈ। শেল খায়বদা য়াওজদবা ইমুংদি য়ূম পাল্লবা ইমুং লোইনমক মীংদা হাপকনি। পাখ্রা ওইরসু লুখ্রা ওইরসু শিংয়েনশেল খাইবগী মীংদা য়াওনৈ। পাখং লৈশাবী ঙাক্তা লৈবা অহল-লমন লৈখিদ্রবশিংগী ইমুংসু লৈহৌরিবদুগী খ্বাইগী অহলদুগী মীংদা শিংয়েনশেল খাইবা য়াওনৈ, (শিংলূপকী মতুংইন্না য়ূম পাল্লবা ইমুং হায়বদু ফীভমগী মতুংইন্না চৎনবা য়াবা মানবা মীৎয়েংদা শিংলূপকী অহল-লমনশিংনা শিনবা-লাংবসি চৎনদুনা লাকখি।

তশেংনদি অৱাবা তারিবা ইমুংদুদা পোৎলোইবগী শিং লৈনবসি হেক্তা ঙমদবা ইমুং য়াম্না লৈনরম্মী। মরমদি মশা নারকপদগী শূবী নোম্বীনবা লৈতবগী মথক্তা লায়েংবগী, চাবা থকপগী চংবনা হেনবনা খুদক্কী শিং লৈবসি অৱাবা ওইনরম্মী। (শিংয়েনশেল অমদি শিংশেল অনীগী চয়েৎনবা অমা লৈবগুম্না উনরি, য়ূম পানবা পাখং নত্তবা নুপা খক্তদা মীংথোনবা শিংয়েনশেল/শিংশেল হায়বদি নত্তে। শিংয়েন/শিঙেল হায়রগা নুপী থিবা নুপাবু খঙনবদি খরা চানফাত্তে) মতম অসি মীতোপশিংগী লোনয়ান মানবা কয়াসু য়াওরক্লি, মসি অফবা খুদম অমা নত্তে, মণিপুরগী য়াম্না চুম্না, নিংথিনা পুৱারী খঙবীবা ময়াম্না পুনবীরগা মীঙ্গৌ থাগৌ, লোল, থকসি-খাসি, লোনচৎ-শাজৎকী মতাংদা অপূনবগী অরেপ্পা ৱারেপ অমা লৌমিন্নরগা য়েৎনদবা তুংলমচৎকী খুন্নাইদা শিনরম্নবগী তাঞ্জা লৌমীন্নবা, নুংশিনবা,থাজনবা মতম ওইরে। ইজরিবসু খঙজ হৈজদে, অদুবু অপূনবনা য়ানরগা লৌরবা ৱারেপতি মশিন অমা ওইনবা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা য়াওহনগদবনি।

নোল্লুক্না থমজনীংবা অমদি পুয়া শূবিরিবা/পাবিরিবা পূম্নমক্তা ইপা-ইপু, ইবোক-ইবেন মকনি খঞ্জরগা খুরুমজরি, তুংগী খনবীরগা পুয়াশিং পুথোকপীদুনা কয়াম কুইরবা অশেংবরা নৎত্রগা অশেন্বরা হায়বদু খঙনবা কার্বোন কোপি টেষ্ট তৌরসু তৌদ্রসু নৈনমিন্নদুনা অমখক্তদা শুচিন্দুনা ময়েক শেংনা য়েকই। সলাইগী, শাগৈগী, ফুরুপকী ওইবা য়াবশিং শেম শাদুনা লিংজেল মান্নবীরো, লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী হায়বসিদগী হেন্না অরুবা অমা লৈতে হায়না খনবা ফুরুপতুনা মাঙজিল থাবা ঙম্মী হায়বসি অচুম্বনি হায়বদু তাক্লসি। মথৌ তারবদি নৎত্রগা তারে খল্লদি অপূনবা মীয়াম্না 'লোনশেম পুয়া' অমা ইমিন্নবা য়াম্না কান্ননি খঞ্জে। মালেমগী মফমশিংদা হিংনবগী চৎনখ্রবা মীপূম খুদিংমক্না মমা লৈবাকপু কাউদবগুম মণিপুরদা হিংমিন্নরিবা কাঙলূপ, ফুরুপ খুদিংমক্না চৎনীংবা লাইনীং চৎপীরবসু হৌরকফম্বুদি নুংশিবীয়ু । মদুনা মীওইবগী অথোইবা ওইবীয়ু। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।